**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 19-03-2024)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ১৯-০৩-২০২৪, লৈবাকপোকপা)**

--**সিগনেচর ট্যুন**--

**---অকাশবানি ইম্ফাল নোলিনি দেবীনা পাউ পাজরি---**

--**অহানবদা মরুওইবা পাউ**--

১) রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিগী য়েংলগা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী বিধান সভা কেন্দ্র খরগী পোল্লিং ষ্টেসনশিং হৌংদোক হৌংজিন তৌখ্রে।

২) আউটর মনিপুর পার্লিয়ামেন্তর কন্সটিট্যুন্সিদা কংগ্রেসকী মীরেপ ওইগদৌরিবা এলফ্রেদ কানঙম অথর য়াওবা মীয়ামগী মীফমদা শকখঙদবশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লন্বগী থৌওংবু মনিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কম্মীতিনা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ব্লাদিমির পুটিনবু রুসিয়াগী রাষ্ট্রপতি ওইনা মীখলদা মায় পাক্লকপদা নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে।

**--সিগনেচর ট্যুন---**

**পোল্লিং (এল)ঃ** হৌজিক ওইরিবা রাজ্য অসিগী শান্তি রক্সাগী ফীভম অসি য়েংলগা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী বিধান সভা কেন্দ্র খরগী পোল্লিং ষ্টেসনশিং হৌংদোক হৌংজিন তৌখ্রে। হিরম অসিগা মরী লৈননা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসারসু ওইরিবা দি.সি খুমান্থেম দাইননা সভাপতি ওইদুনা তোঙান তোঙানবা রাজনিতি দলগী মীহুৎশিং অমদি ইলেক্সনগা মরী লৈনবা ওফিসিয়েল কয়া য়াওনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী দি.সি কমপ্লেক্স পোরম্পাৎতা ঙরাং মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুনা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রগী পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর -১ বাই ফোর ইকৌ-পাইমরি স্কুল অসি সাদু-কোইরেং , য়ু.জে.বি প্রাইমরি স্কুলদা হোংনবা ৱারেপ লৌখি। সাদু য়েনখুমান প্রাইমরি স্কুলগী পোল্লিং ষ্টেসন অসিনা সাদু কোইরেং য়ু.জি.বি প্রাইমরি স্কুলদা ওইরগনি। ক্ষেত্রিগাও কেন্দ্রগী মখা পাৎ প্রাইমরি স্কুল পোল্লিং ষ্টেসন অসিনা দাইমন্দ আইলেন্দ য়থ ওর্গনাইজেসনদা ওইরগনি। অন্দ্রো কেন্দ্রগী অংথা প্রাইমরি স্কুল ব্লোক-এ গী পোল্লিং ষ্টেসনদা রামানন্দা হায়স্কুলদা অদুগা অংথা প্রাইমরি স্কুল ব্লোক-বি পোল্লিং ষ্টেসননা রামানন্দা হায়স্কুলদা ওইরগনি। লমলাই কেন্দ্রগী তেরা খোং অপ্পর প্রাইমরি স্কুল পোল্লিং ষ্টেসননা উরান চিরু ভিলেজ য়ু.জে.বিদা ওইরগনি।

**কংগ্রেস(এল)ঃ** ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী আউটর মনিপুর পার্লিয়ামেন্তর কন্সটিটুয়্যন্সিদা কংগ্রেসকী মীরেপ ওইগদৌরিবা এলফ্রেদ কানঙম অথরনা উখ্রুল জিলাগী পাউরৈ শীরুই ভিলেজতা মীয়ামগা মীফম পাঙথোক্লিঙৈদা শকখঙদবশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লন্বগী থৌওংবু মনিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কম্মীতিনা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

মনিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কম্মীতিগী প্রসিদেন্ত কৈশাম মেঘাচন্দ্রনা হায়-নোংমৈ কাপশিন্দুনা মীয়াম্বু কীহনবা থবক অসি অকনবা মওংদা য়ানিংদে। মনিপুর সরকারনা অসিগুম্বা থৌদোকশিং মখা তানা থোক্তনবা দারকার লৈবা

চেকশিন থৌরাং লৌখৎপিয়ু। প্রজাশিংনা মশাগী গনতন্ত্রগী অধিকার ফংন্নবা খন্না নৈনবদা খুৎলায় পায়বা মীওইশিংনসু অয়েৎ অপন পীবিগনু হায়না আপিল তৌখি।

**এৱের্নে(এল)ঃ** ষ্টেট একাদমী ওফ ট্রেনিং মনিপুরনা শিন্দুনা রাইটতু ইনফোর্মেসন এক্টকী মতাংদা এৱের্নেস প্রোগ্রাম অমা ঙরাং চুরাচান্দপুর জিলাগী দি.টি.সি হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতিগী এদভোকেদ সোমিনলুন চোংলোইনা আর.টি.আই.এক্টনা পীরিবা প্রোভিজনশিংগী মতাংদা মীয়ামদা মরিক শুমা খঙহনখি। এক্ট অসি সরকার অমদি মীয়াম পুননা থবক তৌমিন্নদুনা হেন্না চাউখৎপা পুরকবা মীয়ামদা শক্তি পীবা অফবা খুৎলায় অমনি।

**এৱার্দ(এল)ঃ** জে.কে পেপরনা টাইমস ওফ ইন্দিয়াগা খুৎশমদুনা পীবা ওথর এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরমদা মনিপুরগী অয়িবি পোৎশঙবম লিন্থোইঙম্বী চানুদা জ্রি ওনেরেবল মেনসন বেষ্ট ওথর চিল্ড্রেনগী মনা পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখ্রে।

কোর্টঃ সুপ্রিম কোর্টনা ইলেক্টোরেল বোন্দসকা মরী লৈনবা অকুপ্পা ৱাফমশিং লাক্লিবা শগোলশেন নুমিৎ ফাওবগী মনুংদা পীরকবা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াদা খঙহনখ্রে। পীখৎলক্কদবা অকুপ্পা ৱারোলশিং অসিগী মনুংদা বাইয়র অমসুং রাজনিতি দলশিংগী মরক্তা লৈনরিবা মরী ফোংদোকপা য়ুনিক বোন্দ নম্বরশিংসু য়াওগদবনি। চিফ জস্তিস দি.ৱাই চন্দ্রচুদনা লচিংবা জজ ৫ না শাবা বেঞ্চ অমনা থা অসিগী ২১ গী পুং ৫ ফাওবগী মনুংদা এফিদেবিট অমা পীরকবা এস.বি.আইগী চিয়রমেনদা খঙহনখি।

**---তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি---**

পুতিনঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ৱ্লাদিমির পুটিনবু রুসিয়ান ফেদরেসনগী রাষ্ট্রপতি ওইনা মীখলদা মায় পাক্লকপদা নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে। সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী মোদিনা হায়-ভারত অমসুং রুসিয়া লৈবাক অনিগী মতম শাংনা লৈরক্লিবা মরী হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা শ্রী পুটিনগা মখা তানা থবক তৌমিন্নবা মীৎয়েং থম্লি।

মুরমুঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা সিভিল সার্ভিসেস ওফিসারশিংদা অফবা লৈঙাক শাশন অমা পুরকবা আর্টিফিসিয়েল ইন্তিলিজেন্স ,ব্লোক চেন অমসুং দাতা এনালাইতিক্সনচিংবা অনৌবা মতমগা চুন্নরবা তেকোলোজিশিং শিজিন্ননবা ৱাফম ফোংদোকখ্রে। ৱাফম অসি ঙরাং রাষ্ট্রপতি ভবনদা পাঙথোকপা ষ্টেট সিভিল সার্ভিসেস ওফিসারশিংগী ওইবা মীফম অমদা রাষ্ট্রপতিনা ফোংদোকখিবনি।

মীজোরমঃ মীজোরামদসু ১৮ শুবা লোক সভা মীখল পাঙথোকনবা মপুং ফানা থবক পায়খৎপা হৌরে। আইজোলদা ঙরাং পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা আইজোলগী দিপ্যুতি কম্মীস্নর নাজক্ কুমারনা হায়- লোক সভাগী সিট অমখক্তম লৈবা মীজোরামদা মীখল অসি মায়পাকা অমদি শান্তি ওইবা মওংদা পাঙথোকবা শেম শাবা অয়াম্বাল লোইশিল্লক্লে।

মীখলদা মথৌ পাঙথোক্কদবা পোল্লিং ওফিসিয়েলশিংগী অহানবা তাঙ্ককী ত্রেনিং থা অসিগী ২৬ অমসুং ২৭ তা পাঙথোক্কনি। মরক অসিদা মীজোরাম পিপলস কনফরেন্স পার্টিনা রিটা মলসৌমীবু দল অসিগী মীরেপ ওইনা লাউথোকখ্রে। সরকার পায়রিবা জোরাম পিপলস মুভমেন্তনা রিচার্দ বনলাল মঙাইহাবু মখোয়গী মীরেপ ওইনা হান্না লাউথোকখ্রবনি।

**--ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিংগীদমক**
**হৌজিক ঙাংবম অমুখোমবা লৈরে--**

**--অমুখোন্বা---**

**----অরোইবদা মরু ওহবা পাউ অমুক---**

১) রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিগী য়েংলগা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী বিধান সভা কেন্দ্র খরগী পোল্লিং ষ্টেসনশিং হৌংদোক হৌংজিন তৌখ্রে।

২) আউটর মনিপুর পার্লিয়ামেন্তর কন্সটিট্যুন্সিদা কংগ্রেসকী মীরেপ ওইগদৌরিবা এলফ্রেদ কানঙম অথর য়াওবা মীয়ামগী মীফমদা শকখঙদবশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লন্বগী থৌওংবু মনিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কম্মীতিনা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ব্লাদিমির পুটিনবু রুসিয়াগী রাষ্ট্রপতি ওইনা মীখলদা মায় পাক্লকপদা নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে।

**--পাউ লোইজরে--**

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

**থাগৎচরি-নোলিনি**

ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা মরু ওইনা ফোংনরিবা পাউ খরা পনবা তারবদি -চুরাচান্দপুরদা লৈবা আই.টি.এল.এফকী ওফিস শকখঙদবশিংনা থুগাইরম্লে, চৎলিবা থা অসিদা হুইনা চিকপদগী মীওই ৪ লৈখিদ্রে হায়বা পাউ অমদি মোরেদা অসাম রাইফলসনা ত্রেনিং কেম্প থুগাইখ্রে হায়বা পাউশিং অসিনি।

সনা লৈবাক্তা - সি.সিপুরদা লৈবা আই.টি.এল.এফকী ওফিস শকখঙদবশিংনা থুগাইরম্লে । খুরক্কী ঈনা লাই শারক্লিবশিং লেমা থারোই হায়না আই.টি.এল.এফনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি নহারোলগী থৌদাং, মনিপুর নিউজ, ঈচেল এক্সপ্রেস, মোর্নিংবেলদ, পোকফম, সঙাই এক্সপ্রেস , ইম্ফাল ফ্রি প্রেসনা চিংবা পাউচেশিংদসু মরুওইবা পাউশিং ওইনা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরি।

এন.পি.এফকী কেন্দিদেদতা নাগা পুমমকা শৌগৎনবা য়ু.এন.সিনা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ অসিগা লোয়ননা এলফ্রেদ অথরগী মীতিংদা আই.এমনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা এতেক তৌরকখ্রে হায়বা পাউনা সনা লৈবাকা পাউচে অসিগী অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মনিপুর নিউজতা - এস.এস.সিনা লৌবা মার্চ ১৫ দা লাউথোকখিবা কন্সতেবল জি.দিগী রিজল্ট কেন্সেল তৌখ্রে হায়বা পাউ অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। নহারোলগী থৌদাংদা চৎলিবা থা অসিদা মনিপুরদা খঙহৌদনা হুইনা চিকপদগী মীওই ৪ লৈখিদ্রে, য়ুমদা লোইনরিবা শাশিং এন্তি রেবিস্ত ভেক্সিন পাকশন্না কাপথোকরক্লে হায়বা পাউনা অহানবা

হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

শোকচিনখিবা শেলগী ফীভম মেনখৎনবা সেন্তরদা লুপা কোর লিশিং ৩০০ রোমগী শেনফম থাহৌসি হায়না এম.এল.এ ওক্রম সুর্জকুমারনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমা পাউচে অসিগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা - মীয়ামগী মায়োক্তা লৈবা , ওইদবা ঙাংবশিং মায়থিবা পীরসি হায়না এম.পি.সি.সিগী হান্নগী প্রসিদেন্ত এন. লোকেননা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমা পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মোর্নিং বেলদা - মনিপুরগী ইরাং লোইশিন্নবা হোৎনবদা য়ুনাইতেদ নেসনসনা মতেং পাংবিনবা কোকোমিনা হায়জখ্রে হায়বা পাউ অমা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা - অসাম রাইফলসনা তেংনৌপালদা শারম্বা ত্রেনিং কেম্প অমা থুগাইখ্রে হায়বা পাউ অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকলদসু অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংবা থেংনরে।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস্তা- রিহেবিলিতেসন সেন্তরশিং নিংথিনা য়েংশিন্নবা মনিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মীসননা দি.জি.পি অমদি সোসিয়েল ৱেলফ্যার বিভাগতা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। এন.পি.পিগী মীরেপ থাদোক থাদোক্তবগী খন্নরি হায়বা পাউ অমা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুর ইদিসনদা ফোংলি।

পোকফমদা - এন.আই.এগী থৌওং য়ানিংদবা উৎতুনা মফম কয়াদা রেল্লি চৎখ্রে

হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা - য়াম্লবা অঙ্গনৱাদি ৱার্কর অমসুং হেলপরশিংনা সোসিয়েল ৱেলফ্যার লোইশঙদা থোমজিনদুনা দিরেক্তরগা উন্নখ্রে হায়বা পাউ অহানবা লমাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

গানফিউ মেলদা - য়ুনাইতেদ নাগা কাউন্সিলনা নাগাশিংনা নাগাগী এম.পি মীরেপ্তা পুন্না শৌগৎপিনবা আপিল তৌখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিস্ত্রেসন তমেংলোংনা আর.টি.আই.এক্টপু নিংথিনা থবক্তা ওন্থোক্নুনা লৈঙাক শাশনদা তারু তানানবা অমদি মীয়ামা থাজবা হেনগৎহন্নবগী মতাংদা খন্না নৈনবা মীফম পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা - ফোকসকী প্রসিদেন্তগী য়ুমদা বোম লংশিল্লম্ববু ইমাগী মৈরানা য়ানিংদবা ফোংদোকখ্র হায়বা পাউ অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।